# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-09-2024)**

**বোম(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ত্রোংলাউবীদা ঙসি অয়ুক কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম থাদরকখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী-আর.কে. মনিপুরসনানা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং মরি মিনিট ২০ চৎপা অদুৱাইদা ত্রোংলাউবী মখা লৈকাইদা লৈবা কৈশাম লোকেন কৌবা মীওই অমগী ইঙ্খোলদা বোম অদু থাদরকখিবনি হায়রি। বোম অদু নোংচুপ থংবা থাংজিং চিংলোমদগী কাপ্লকপনি হায়রি। বোম অদুনা টৌইলেট অমা মাঙ তাকহনখি অমদি খা-নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা রাধা মন্দবসু অমাং অতা খরা থোকখি হায়রি। পাউ অসিনা হায়-থৌদোক অদুদা হৌজিমক্কী ওইনা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন থোকপগী পাউ লৈতে।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-ইন্ফাল ইষ্টকী বুংবল খুল্লেনদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, সিক্সতি এম.এম. কেরিভর লোঞ্চর অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট ৱান সভেন সভেন রাইফল অমা, টুয়েল্ব বোর দবল পেরেল রাইফল অমা, পম্পী গন অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, এন্টি রাইওট ষ্টন গ্রেনেদ অমা, পোম্পী মোটার সেল অমা, নোংমৈ মরুশিং অমদি পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং ফাগৎলে হায়রি।

মরক অসিদা, অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা গাড়ি ১৩০ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা গাড়ি ২১৪ অশোয় অঙাম য়াওদনা

পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী দাইরি অমসুং য়াইকোংপাউ মরক্তা চিং নিংখায়বগী লম্বী চৎপা য়াদনা লৈরকপা অদু ঙরাং শেমজিল্লবা মতুং গাড়িশিং চৎপা হৌরে। অদুমওইনমক, মফম অসিদা অমুক হন্না চিং নিংখায়রকপগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী-গুগুনশিং শিংশিতনা হায়-লম্বী অসিদগী লৈখোমশিং লৌথোকখ্রবসু গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা মরুওইনা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা চাউনা মায়োকহল্লি। লম্বী অসি লান্থোকবা হোৎনবদা পুং কয়ামরুম চংলি।

অমরোমদা, লম্বী থৈদুনা গাড়ি চৎহনবগী থৌরাংসু পায়খৎলে। মফম অদুদা এস্কাবেটর শিজিন্নদুনা লম্বী শেম্বা অমদি গাড়ি চিংলগা চৎহনবগী থবকশিং চথরি। পুলিসনা লম্বী শেংদোকপগী অমদি গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অপনবা পীদনবা হোৎনরি।

**ডে (এল)ঃ** ৩৯ শুবা নেসনেল আই দোনেসন ফোরনাইট ২০২৪ ঙসি ইম্ফালগী চিংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোক্লগনি। নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইনেস এন্দ ভিজ্য়েল ইমপ্রেয়ারমেন্ট, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস মনিপুরনা শিনবা থৌরম অদুদা রাজ্যগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জন সিংহ শরুক য়াগনি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা ডাক্তর অমসুং সংস্থান কয়ামরুমদা এপ্রিসিয়েসন এৱার্ড অমদি থৌরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা লাই য়েকপা চাংদমবদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমশিং য়েন্থোক্কনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস-থৌবালনা শিনদুনা জিলা থাক্কী য়ুথ ফেষ্টিবেল ২০২৪ থা অসিগী ২০ দগীনা ২২ ফাওবা জিলা অসিগী হাওতাবী লম্পাক ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা মল্টি পরপজ ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্লগনি।

ফেষ্টিবেল অসিদা চহি ১৫ দগীনা ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। থা অসিগী ১৮ ফাওবদা শরুক য়াগদবশিংনা ফোর্ম পীশিল্লক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল ওফিস অসিদগী খঙবা য়াগনি।

**স্কোলারসিপঃ** একাডমী চহি ২০২৪-২৫ গী ওইনা নেসনেল মিন্স কম মেরিট স্কোলারসিপ স্কিমগী এপ্লিকেসন পীশিল্লকপগী মতম সরকারনা থা অসিগী ৩০ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না হায়-স্কিম অসিগী মখাদা শেন্থোক লৈজদবা ইমুং মনুংগী মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোইশিংদা ক্লাস টুয়েল্ব ফাওবা লাইরিক তমহন্দুনা মহৈ তম্বা তোক্তনবা পান্দমদা স্কিম অসিগী মখাদা স্কোলারসিপ অসি পীবনি। নেসনেল স্কোলারসিপ পোরটেলগী খুত্থাংদা এপ্লিকেন পীশিল্লকবা চহি অসিগা জন্ ৩০ দগী হৌখিবনি। স্কিম অসিগা মরী লৈননা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি সরকারশিংনা পাঙথোকপা পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংল্লকপা ক্লাস নাইন তল্লিবা মহৈরোইশিংদা চহি খুদিংগী লুপা লাখ অমমমগী স্কোলারসিপ পীরি।

মন্ত্রালয়না হায়-স্কোলারসিপ অসি অঙাং অদুগী একাডমীক পার্ফোমেন্স য়েংলবা মতুং ক্লাস টেনদগী টুয়েল্ব ফাওবা অমুক হন্না মখা শমথৈ। স্কিম অসি সরকারগী স্কুলশিং, গভরমেন্ট এদেদ অমদি লোকেল বোদি স্কুলশিংদা তল্লিবা মহৈরোইশিং খক্তনা থাবা য়াগনি। স্কিম অসিগী মখাদা মহৈরোই অমমমদা থা খুদিংগী লুপা লিশিং ১২-১২ পীগনি।

**মঃ** ম

**পেরাঃ** পেরিস পেরালিম্পিক্সতা ভারতনা হৌজিক ফাওবদা সনাগী তকমান ৫, লুপাগী ৯ অমসুং শেঞ্জেংনগী ১১ পুন্না তকমান ২৫ ফংদুনা পেরা লিম্পিক্সকী ইতিহাসতা খ্বাইদগী তকমান মশিং য়ামা ফংবা ওইরে।

পেরা লিম্পিক্স অসিদা ভারতনা তকমান মশিং য়ামা ফংল্লকপদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

ঙরাং নুপাগী জদো মশান্নগী কিলোগ্রাম ৬০ গী কাংলুপ্তা ভারতনা শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পাউচেশিংদা ফোংনরিবা হেদলাইনশিং অমগা অমগা ইমান মান্নদ্রে। অদম্ওইনমক, ঙরাং ওজাগী নুমিৎ পাঙথোকখিবা অমদি মদুদা ওজা তরুক্তা ষ্টেট এৱার্ড খুৎশিন্নবগা মরী লৈনবা পাউনা মনিপুর ন্যুজ, পোকফম, ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরে।

পেসেন্ট অমা লৈখিদবগীদমক লুপা লাখ ৫৪ লিশিং ১৭ কী শেনফম কমপেন্সেসন ওইনা পীনবা খণ্ডহনখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। মনিপুরগী ইরাং-রুল্লিংগী এম.এল.এশিংনা খন্নখ্রে হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা বোক্স আইটেম ওইনা মচু শংদুনা ফোংলি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোই খুদিংদা লাখ অমমম পীনবা ৱাকৎখি। হিয়ারিং চথখ্রে হায়বসিনা সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি। মনিপুরদা এন্টি দ্রোন নোংমৈ শিজিন্নবা সেন্টরনা অয়াবা পীরে হায়বা পাউনা পিপলস

ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা শিজিন্নখিবা এম্বুল্যেন্স লৈমখোংদগীনি হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কোকোমিনা দ্রোন এটেক নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়বা পাউনা মনিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি, সনা লৈবাক, ঈচেল এক্সপ্রেসকীনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি অদুগা অতৈ পাউচেশিংদসু নীংথিনা ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা ফোংবা থেংনরে।

দ্রোন এটেক নেসনেল সেক্যুরিতিতা ফেক তৌবনা অচৌবা ইশু ওইগদৌরি। লেবেল অহুম থোকা থবক পায়খৎলি হায়বসিনা মনিপুর ন্যুজগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

কুকিগী লুপ অমনা সুপ্রিম কোর্টনা শেম্বা কম্মিসনদা চিফ মিনিস্তরগী মথক্তা এফ.আই.আর. রেজিস্তার তৌবিনবা ৱাকৎখ্রে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক্তসু ফোংবা থেংনরে।

সি.এম. শিন্দোকপা নৎত্রগা সসপেন্দেদ এনিমেসন থম্বগী ৱাফম অমা কন্না ঙাংনরক্লি হায়বসিনা পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এন.এস.সি.এন, কে.এন.এ (বি) গী মরক্তা ইন্দো ম্যান্মার বোর্ডরদা খুৎ থোকখ্রে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী কিলোমিটর ৩০ হেন্না শাংবা লম্বী এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলনা ২০২০ দা পায়খৎলক্লিবা অসি থা ৯ গী মনুংদা লেয়শিল্লগনি হায়বা ৱাফমনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু ফোংলে।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী মতম কুইনদগী ডাইনরক্লবা দাইলাসিষ্ট য়ুনিটতা মৈ ফংদবগী সমস্যা মায়োকরম্বা অদু থা অসিগী ৯ দগী মহৌশাগুম থবক হৌরগনি হায়বসিনা তমেংলোং টাইমসকী মরুওইবা পাউ ওইরি।

এম.এল.এ. দিপু গাংমৈনা নোনেদা দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইল ওফিসকী কম্মন ফেসিলতি সেন্টর হাংদোকখ্রে হায়বসিনা গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

রাজ্য অসিগী ওইনা সেনাপতি জিলাদা খ্বাইদগী ফবা কলেজ অনি লৈরি। লিটরেসি রেটতনা খ্বাইদগী নেমলি হায়বসিনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস সেনাপতিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কৌক্রক্কী দ্রোন এটেক মতুং ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন-নোর্থ ইষ্ট রিজননা কম্বাইন্দ গ্রেজ্যেট লেবেল ইগজামগী চুরাচান্দপুর অমসুং উখ্রুল সেন্টর ককথৎখ্রে হায়বা পাউ অমা মচু শঙদুনা মনিপুর ন্যুজতা ফোংলি। এম.এল.এ-আর.কে. ইমোনা আই.টি.এল.এফকী মথক্তা শিরক্লিবা মরাল সাইকোট এম.এল.এনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি হায়বসিনা গানফিয়ু মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।